## রুসিয়াদা মখা তানা তৌদনবা খঙহনগনি

ব্রুসেলস, জুন ১৫ (এজেন্সী) : নোর্থ অটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেসন (নেটো) গী সম্মিটতা ৱা ঙাঙলুরবা মতুং য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা হৌজিক বৈজিং অমসুং মোস্কো লৈবাক অনী অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। লৈবাক অনী অসিনা মিলিটরি অমদি ইকনমিগী ওইবা অহেনবা থবক থৌরম কয়া চত্থরক্লিবা অদু খুদক্তগী লেপনবা রুসিয়াদা খঙহল্লগনি।

য়ু এসনা রুসিয়াগা কৈদৌনুংদা উংখৎনবা পামদে। অদুবু রুসিয়ানা য়ু এসকী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি। রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনবু মহাক্না অৱাংবা থাক্তা ঈকায়খুম্নবা উৎলি। পুটিন য়াম্না লুবা অমসুং তৌবা ঙম্বা মীওইনি। অদুমওইনমক অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শোকহল্লকপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্লবদি য়ু এসনা মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

অমরোমদা নেটোগী লুচিংবশিংনসু য়ু এসকা পুন্না থবক তৌমিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা থবক পাঙথোক্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। ৱর্ল্ড মার্কেটতা চাইনানা হৌখিবা চহী খরা অসি দোমিনেট তৌদুনা লাক্লি। মখা তানা চাইনানা দোমিনেট তৌবা ঙমদনবা নেটোগী লুচিংবশিংনা কোক চুংশিন্নদুনা অনৌবা পোলিসিশিং শেম্বা হৌখ্রবনি।

নেটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলতনবর্গনা নেটোদা য়াওরিবা লুচিংবশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা ওইরক্লিবা অহোংবশিং অসি খুদোংথিনিংঙাইনি। মসি মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। চপ মান্ননা চাইনানা চত্থরক্লিবা অহেনবা থৌওংশিং অসিসু মালেমগী লৈবাকশিংদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবশিংনি। মরমদুনা চাইনাগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

## ইংলেন্দদা কোভিদগী অথিংবশিং লৈখিগনি

লন্দন, জুন ১৫ (এজেন্সী) : ইংলেন্দদা কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থমজিল্লম্বা অদু কোমথোক্নবা ফিরেপ লৌরুরবা মতুং লৈবাক অদুদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা শোকহল্লকপগী থৌওংশিং থেংনখিবগা লোয়ননা অথিংবা কোমথোক্নবা লৌখিবা ফিরেপ অদু হন্দোকখিবগা লোয়ননা চয়োল ৪ মখা তানা অথিংবা থমখিগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা শোকহনবা মীওই ইংলেন্দগী মফম খরদা থেংনরে। ভাইরস মখল অসিনা মখা তানা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চৈথেং পীরক্তনবা অথিংবগী মতম চয়োল ৪ শাংদোকখিবনি। মীয়াম্ন সু য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অমদি কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহল্লক্লি।

## য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অফগানদা লৈরিবা মীয়ামগী সেক্যুরিটিগীদমক থবক পায়খৎপা হৌরে



ন্যু য়োর্ক, জুন ১৫ (এজেন্সী) : অফঘানদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক মনুংদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং কা হেন্না থোরক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। মখোয়শিং অদুগীদমক য়েংলগা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অফঘান মীয়ামগী সেক্যুরিটিগীদমক থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিসন ফোর রেফ্যুজি ফিলিপো গ্রান্দিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অফঘানদগী য়ু এস অমদি নেটোনা মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চত্থবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নবা লেপনবা অমদি লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনরিবা অদুদা অয়েৎপা পীরবা য়াবগী চাং ৱাংখৎলক্লি।

হৌখিবা চয়োলদসু অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা ইন্তরনেস্নেল মাইনিং ওর্গনাইজেসন অমদা খূৎলাই পায়বশিংনা এটেক চত্থদুনা মীওই ১০ হাৎখি। অফঘানিষ্টানদা ইন্তরনেস্নেল ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখিবদগী লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিদা চাওনা শীংনবা লাক্লি।

লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অতোপ্পা লৈবাক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈনখ্রে। কয়া অমনা হান্না লৈরম্বা মফম থাদোক্তুনা লৈবাক অদুগী অতোপ্পা মফমদা লৈনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মীয়ামগী সেক্যুরিটিগী খল্লগা থবক থৌওংশিং পায়খৎপা হৌখিবনি।

অফঘানদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদগী মীওই মিল্লিয়ন ২.৫ হেন্না অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রে। অদুগা মীওই মিল্লিয়ন ৪.৮ না লৈবাক মনুংদা হোংদোক হোংজিনগী থবক তৌরি। চহী ২০ লোম য়ু এসনা অফঘানদা লৈরম্লবা মতুং মখোয়গী ক্রুপশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোকপা হৌখিবনি। য়ু এস খক্তা নত্তনা লৈবাক অদুদা দিপ্লোয় তৌরিবা নেটোগী ক্রুপ ৭,০০০ লোমসু সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অদুদগী লৌথোক্লগনি হায়রি।

## খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা পোলিও ৱার্কর ৪ কাপ্তুনা হাৎখ্রে, ৩ শোকহনখ্রে

কাবুল, জুন ১৫ (এজেন্সী) : অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা জলালবাদ সিটিদা শকখঙদবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা পোলিও ৱার্কর ৪ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়ল হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চহীদা দোহদা অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা পিছ টোক্ককী থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি। মদুগী মতুং লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং, হেল্থ ৱার্করশিং, মীদিয়া অমসুং সিভিল সোসাইটি মেম্বরশিংদা টার্গেট তৌদুনা খূৎলাই পায়বশিংনা এটেক চত্থবগী চাং হেনগৎলক্লি।




থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ননগরহরগী হেদ ওফ পোলিও ইম্যুনাইজেসন ডোক্তর জান মহমদনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা পোলিও ৱার্করশিংদা অতম্মনা টার্গেট তৌদুনা এটেকশিং চত্থবগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্লি।

তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা খূৎলাই পায়বশিংনা পোলিও ৱার্করশিংদা টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবা এটেকশিংদা ৱার্কর ৪ শিখিবগা লোয়ননা ৩ না শোকহনখিবনি। পোলিও ইম্যুনাইজেসনগী থবক অসি থা ৩ গী মমাংদা পাঙথোকপা হৌখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি মখা তানা থবক অসি পাঙথোকখি। অদুবু ওইরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা পোলিও হীদাক কাপ্পগী থবক মতম খরা সস্পেন্দ তৌরগনি।

হৌখিবা মার্চ থাদা খূৎলাই পায়বশিংনা নুপী পোলিও ভেক্সিনেসন ৱার্কর অহুম জলালাবাদতা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবদগী পোলিও পীথকপগী থবক লেপ্তুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি অমুক হন্না পোলিও হীদাক কাপ্পগী থবক চত্থখিবনি। অদুবু পোলিও ৱার্করশিংদা টার্গেট তৌরগা অমুক হন্না এটেক চত্থরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা পোলিও পীথকপগী থবক সস্পেন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

এটেক অসি কনানা চত্থখিবনো হায়বা হৌজিকফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। খূৎলাই পায়বা গ্রুপ অমত্তনসু থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। টালিবানসু থৌদোক অদুগা মখোয়গী হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরক্লি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদু টালিবান ফাইটরশিংনা চত্থখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

## সোমালিয়া আর্মী কেম্পতা সুসাইদ বোম এটেক চত্থদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিহনখ্রে



মোগাদিসু, জুন ১৫ (এজেন্সী) : সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিসুদা লৈবা মিলিটরি ত্রেনিং কেম্প অমদা সুসাইদ বোম এটেক চত্থদুনা য়ামদ্রবদা আর্মী রিক্রুইট ১৫ হাৎখ্রে হায়না আর্মী ওফিসর মোহমদ অদাননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নৌনা আর্মী রিক্রুইট তৌনবা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। মিলিটরি কেম্প অদুগী মনাক্তা অনৌবা রিক্রুইটশিং অদু ক্যুদা লেপ্তুনা লৈহনখি। ময়াম মরক অদুদগী খঙহৌদনা অমনা মশাদা লোয়নদুনা লাকখিবা বোম পোকখায়হনখি।

থৌদোক্তুনা খুদক্কী ওইনা অনৌবা রিক্রুইট ১৫ শিখিবনি। মখা তানা শিবগী মশীং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং মোগাদিসুগী মদিনা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চত্থখ্রে। এম্বুলেন্স অনীদা অশোকপশিং হোস্পিটাল তম্না পুবগী থবক পাঙথোকখি।

মোগাদিসুদা হৌখিবা থা ১৮ লোম অসিদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অসি থোক্তুনা লাকখিবনি। ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অসি কনানা চত্থখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি অমদি গ্রুপ অমত্তনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং সোমালিয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। পনবা য়াবদি সোমালিয়াদা মরু ওইনা হোটেল অমসুং সেক্যুরিটি চেক পোইন্টশিংদা টার্গেট তৌরগা য়াম্না তোয়না এটেক চত্থবগী থৌদোকশিং থোক্লি।

## জো বাইদেন জেনেভাদা থুংখ্রে

জেনেভা, জুন ১৫ (এজেন্সী) : ৱ্লাদিমির পুটিন উন্নদ্রিঙৈগী মাংওইননা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন ঙসি জেনেভাদা থুংখ্রে। জেনেভাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-৭ অমসুং নেটো সম্মিটতা শরুক য়ানবগীদমক মহাক ঙসি জেনেভাদা থুংখিবনি। মহাক্না জেনেভাদা থুংখিবগা স্বিজরলেন্দগী মকোক থোংবা ওফিসলসশিংনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। স্বিজ প্রসিদেন্ট পরমেলিননসু য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট ওফিসতা চা থকমিন্নখি। মদুগী মতুং জো বাইদেন স্বিজরলেন্দদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী ওফিস তম্না চৎখি। পনবা য়াবদি স্বিজরলেন্দদা লুচিংবা কয়া লাক্কদৌরিবা অদুগা মরী লৈননা সম্মিট পাঙথোক্কদৌরিবা মফমগী অকোয়বদা সেক্যুরিটি পর্সনেল লীশিং ৪ দিপ্লোয় তৌদুনা চেকশিন থৌরাংগী থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

## অপিকপা প্লেন অমা অমসুং গ্লাইদর কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৫ শিরে

জেনেভা, জুন ১৫ (এজেন্সী) : স্বিজ অলপসতা ঙরাং গ্লাইদর অমসুং অপিকপা প্লেন অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ৫ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গ্লাইদর অমসুং প্লেন কায়খিবগী থৌদোক অদু মরী লৈনরমগদ্রা হায়বগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাইলোট অমসুং মীওই অহুম তোংদুনা পাইখিবা অপিকপা প্লেন অদু স্বিজরলেন্দগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা পিজ নাইয়র চীংশাংগী শরুক্তা কায়খিবনি। থৌদোক অদুদা প্লেন অদুদা তোংখিবা মখোয় ৪ মক শিখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা অকায় অতোইশিং অদুবু য়েংশিনখি। প্লেন কায়খিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ১ রোম চৎলগা গ্লাইদর অমসু কায়দুনা লৈরমখিবনি। গ্লাইদর অদুগী পাইলোটসু থৌদোক অদুদা শিখি। ৱেদরগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরগা গ্লাইদর অমদি প্লেন অনী অদু থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা থাজনরি। অদুমওইনমক থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদবনা মীয়ামদা খঙহনবদা খুদোংচাদবা খরা লৈ হায়না রিজনেল পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদনা কা হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 177,095,455 | +72,453 | 3,829,164 | +1,563 | 161,304,601 | 11,961,690 |
| 1 | USA | 34,335,268 | +29 | 615,235 | +3 | 28,436,981 | 5,283,052 |
| 2 | India | 29,570,881 | +846 | 377,061 | | 28,280,472 | 913,348 |
| 3 | Brazil | 17,454,861 | | 488,404 | | 15,854,264 | 1,112,193 |
| 4 | France | 5,741,354 | | 110,454 | | 5,498,596 | 132,304 |
| 5 | Turkey | 5,336,073 | | 48,795 | | 5,206,836 | 80,442 |
| 6 | Russia | 5,236,593 | +14,185 | 127,180 | +379 | 4,818,244 | 291,169 |
| 7 | UK | 4,573,419 | | 127,907 | | 4,289,778 | 155,734 |
| 8 | Italy | 4,245,779 | | 127,038 | | 3,960,951 | 157,790 |
| 9 | Argentina | 4,145,482 | | 86,029 | | 3,748,794 | 310,659 |
| 10 | Colombia | 3,777,600 | | 96,366 | | 3,510,709 | 170,525 |
| 11 | Spain | 3,741,767 | | 80,517 | | 3,526,831 | 134,419 |
| 12 | Germany | 3,724,201 | | 90,527 | | 3,586,000 | 47,674 |
| 13 | Iran | 3,049,648 | +10,216 | 82,351 | +134 | 2,683,210 | 284,087 |
| 14 | Poland | 2,877,819 | +215 | 74,626 | +52 | 2,649,080 | 154,113 |
| 15 | Mexico | 2,455,351 | +1,175 | 230,185 | +37 | 1,956,576 | 268,590 |
| 16 | Ukraine | 2,224,992 | +1,014 | 51,769 | +77 | 2,136,176 | 37,047 |
| 17 | Peru | 2,004,252 | | 188,921 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,927,708 | +8,161 | 53,280 | +164 | 1,757,641 | 116,787 |
| 19 | South Africa | 1,752,630 | | 57,879 | | 1,611,447 | 83,304 |
| 20 | Netherlands | 1,673,596 | | 17,714 | | 1,576,014 | 79,868 |
| 21 | Czechia | 1,665,327 | +188 | 30,229 | | 1,630,938 | 4,160 |
| 22 | Chile | 1,482,663 | | 30,804 | | 1,406,555 | 45,304 |
| 23 | Canada | 1,403,285 | | 25,944 | | 1,361,387 | 15,954 |
| 24 | Philippines | 1,327,431 | +5,389 | 22,963 | +118 | 1,246,405 | 58,063 |
| 25 | Iraq | 1,259,683 | | 16,736 | | 1,176,576 | 66,371 |
| 26 | Sweden | 1,084,636 | | 14,537 | | 1,030,414 | 39,685 |
| 27 | Romania | 1,079,879 | +103 | 31,957 | +10 | 1,044,563 | 3,359 |
| 28 | Belgium | 1,076,579 | +241 | 25,093 | +5 | 1,003,023 | 48,463 |
| 29 | Pakistan | 943,027 | +838 | 21,782 | +59 | 880,316 | 40,929 |
| 30 | Portugal | 858,072 | | 17,047 | | 815,622 | 25,403 |
| 31 | Israel | 839,690 | | 6,430 | | 833,029 | 231 |
| 32 | Bangladesh | 833,291 | +3,319 | 13,222 | +50 | 771,073 | 48,996 |
| 33 | Hungary | 807,102 | +57 | 29,935 | +10 | 731,626 | 45,541 |
| 34 | Japan | 776,307 | +936 | 14,126 | +55 | 733,316 | 28,865 |
| 35 | Jordan | 743,877 | | 9,602 | | 726,932 | 7,343 |
| 36 | Serbia | 715,015 | | 6,970 | | 703,771 | 4,274 |
| 37 | Switzerland | 700,978 | +243 | 10,864 | +3 | 668,678 | 21,436 |
| 38 | Malaysia | 667,876 | +5,419 | 4,069 | +101 | 593,695 | 70,112 |
| 39 | Austria | 648,849 | +117 | 10,668 | +6 | 634,439 | 3,742 |
| 40 | Nepal | 612,202 | +1,681 | 8,506 | +41 | 540,439 | 63,257 |
| 41 | UAE | 601,950 | +2,127 | 1,734 | +4 | 581,139 | 19,077 |
| 42 | Lebanon | 542,649 | | 7,801 | | 527,645 | 7,203 |
| 43 | Morocco | 523,999 | | 9,213 | | 511,440 | 3,346 |
| 44 | Saudi Arabia | 466,906 | | 7,590 | | 449,241 | 10,075 |
| 45 | Ecuador | 439,139 | | 21,051 | | 398,645 | 19,443 |
| 46 | Bulgaria | 420,493 | | 17,915 | | 390,388 | 12,190 |
| 47 | Greece | 415,401 | | 12,437 | | 393,123 | 9,841 |
| 48 | Bolivia | 409,106 | +2,152 | 15,614 | +72 | 324,028 | 69,464 |
| 49 | Belarus | 406,360 | | 2,987 | | 399,174 | 4,199 |
| 50 | Kazakhstan | 402,996 | +757 | 4,180 | +9 | 378,707 | 20,109 |

## উংখৎনবগী চাং হেনগৎলক্লি

জেরুসালম, জুন ১৫ (এজেন্সী) : ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন রেবেল গ্রুপ হামাজগা সিজ ফায়র তৌনখ্রবসু জেরুসালমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উংখৎনবগী চাংদি হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলক্লি। ইষ্ট জেরুসালমদা ঙসিসু ইজরেলি নেসেলিষ্টশিংনা পুনশিন্দুনা চিংননিঙাই ওইবা খোঙচৎ অমা চৎনবা হোৎনখি।

পেলিষ্টিনিয়ন ওকুপাইদ টেরিটোরি তম্না খোঙজং অদু চঙশিন্নবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা মুক্নবা থোরকখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইজরেল ফোর্সনা য়ামদ্রবা পেলিষ্টিনিয়ন ৬ ফাজিনখ্রে। অদুগা কয়া অমনা ফন্দুনা মফমদুদগী তানখায়খি।

ইজরেলি পুলিসশিংনা দমাসকস গেট তানা চৎকদবা লম্বীশিংদা বেরিকেদশিং থমজিন্দুনা মীওই অমত্তা চৎহনখিদে। মরু ওইনা মফমদুদা পেলিষ্টিনিয়ন চঙহদনবগী পান্দমদা পুলিস বেরিকেদশিং অদু থমজিনখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইজরেলগী ইন্তরনেল সেক্যুরিটি মিসিষ্টর ওমর বার-লেভনা ফোঙদোকখিবদা দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা মীপুম খুদিংমক্না মখোয়গী খোঙজংশিং চঙশিনবা য়াই। পুলিসনসু অদুগুম্বা খোঙজংশিং অদুবু ঙাক শেনবগী থবক চত্থগনি। অদুমওইনমক লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদি ইলিগেল ওই হায়না লৌবগা লোয়ননা শরুক য়ারিবশিংগী মথক্তা চপ চাবা লিগেল এক্সন লৌগনি হায়রি।

## চয়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক্তা য়ু এস এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা থৌজিনখ্রে



টাইপৈ, জুন ১৫ (এজেন্সী) : য়ু এস এস রোনাল্ড রিগান্দনা লুচিংবা য়ু এস এয়রক্রাফট কেরিয়র গ্রুপ অমা বৈজিং অমসুং ৱাশিংটন অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা চয়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী শরুক্তা থৌজিল্লকখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুলশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

অমরোমদা য়ু এস নেভিগী মায়কৈদগীদি রুটিন মিসন অমগীদমক য়ু এস এয়রক্রাফট কেরিয়র গ্রুপ অদু ঈশিংগী শরুক্তা চঙশিনখিবনি হায়রি। সাউথ চাইনা সিগী শরুক্তা য়ু এসনা মিলিটরি মিসনশিং পাঙথোক্লিবা অদু চাইনাগী মায়কৈদগীদি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। অমদি য়ু এসকী অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

সাউথ চাইনা সিদা চঙলকখিবা য়ু এস এয়রক্রাফট কেরিয়র গ্রুপ অদু হৌজিক হৌজিক মফম অদুদা মেরিটাইম সেক্যুরিট ওপরেসনশিং পাঙথোক্লি। মদুগী মনুংদা ফ্লাইট ওপরেসন অমদি মেরিটাইম ষ্ট্রাইক এক্সরসাইজসু য়াওরি। য়ু এস নেভিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস নেভিগী রুটিন প্রোগ্রাম অমা ওইনা সাউথ চাইনা সিগী শরুক্তা কেরিয়র ওপরেসন চত্থখিবনি। ইন্দো পেসিফিক রিজনদা য়ু এস নেভিনা চহী কয়াগী মমাংদগী কেরিয়র ওপরেসনশিং চত্থদুনা লাক্লি।

এয়রক্রাফট কেরিয়র অদুগা লোয়ননা গাইদেদ মিসাইল ক্রুজর য়ু এস এস সিলো অমসুং গাইদেদ মিসাইল দেষ্ট্রোয়র য়ু এস এস হালসিসু ওপরেসন অদুদা শরুক য়ারি। চাইনানা য়ু এসকী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা য়ু এস নেভিনা ওপরেসন পাঙথোক্লিবা মফম অসি বৈজিংনা অনলোফুল ওইবা মওংদা মখোয়গী শরুকনি হায়না ক্লেম তৌবনি। অদুবু হায়রিবা মফম অসি বৈজিংগী শরুক নত্তে হায়রি।

## দ্রোন শীজিন্নদুনা লমলক্কী শাশিং কনখ্রে

কালিফোনিয়া, জুন ১৫ (এজেন্সী) : অচৌবা থর্মেল কেমেরা হাপ্লবা রিমোটনা কন্ত্রোল তৌবা হায় টেক দ্রোন শীজিন্নদুনা দিজাষ্টর জোনশিংদা লৈবা লমলক্কী শাশিং কনবা ঙম্লে হায়না সেনিমা ওটোগ্রাফর দোগ্লাস থ্রোননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু অৱাফমদা তারবা লম্লক্কী শাশিং কনবদা অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন পীবগী মথৌ তাই হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা ওষ্ট্রেলিয়দা চাকখিবা লাম্মৈ অদুগা মরী লৈননা ৱর্ল্ড ৱাইল্ড লাইফ ফন্দনসু থ্রোনবু নেক্তুনা শাশিং কনবগী থবক চত্থহনখি। থ্রোননা রিমোট কন্ত্রোল দ্রোন শীজিন্নদুনা অপিকপা শাশিং ফাওবা খুদোংথিবা কয়াদগী কনবা ঙমখি। হৌজিকসু লৈবাক লৈবাকশিংদা চত্তুনা দিজাষ্টর জোনশিংদগী লমলক্কী শাশিং কনবগী থবক মখা তানা চত্থরি হায়না থ্রোননা ফোঙদোরক্লি।

## মুস্লিম ব্রদরহুদকী মেম্বর ১২ ইজিপ্তুকী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে



কাইরো, জুন ১৫ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক অমদা চাওনা চেন্নখি হায়বগী মরালদা মুস্লিম ব্রদরহুদকী মেম্বর ১২ ইজিপ্তুকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা সিভিলিয়ন কোর্ট অমনা ঙরাং শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়রি।

কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবসু মীওইশিং অদুনা আপীল তৌরকপদগী হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট অবদেল ফটার ইল-সীসীগী অয়াবা ঙাইদুনা লৈনরি। করিগুম্বা প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরক্লবদি মখোয় ১২ মক শিবগী চৈরাক ফংলগনি।

কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মীওই ১২ অদুগী মনুংদা লৈবাক অদুগী টোপ রিলিজিয়েস স্কোলর রহমন অল-বার, পার্লিয়ামেন্টকী হান্নগী মেম্বর মোহমদ ইল-বেলটাগী অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর ওসামা য়াসিন য়াওরি।

কুমজা ২০১৩ দা ইজিপ্তুকী হান্নগী মুস্লিম ব্রদরহুদকী প্রসিদেন্ট মোহমদ মোরসিবু মিলিটরিনা মফমদগী লৌথোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা মুস্লিম ব্রদরহুদকী মেম্বরশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। ইজিপ্তুকী রবা অল-অদাৱিয়া স্কৱারদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙজং অদুবু নমথনবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওই ৮০০ লোম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

মতমদুগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিং অদুনা শিবা য়াবা খূৎলাইশিং অমদি নোংমৈ শীজিন্নদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চত্থরকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হন্দুনা কাপ্পদা মীওইশিং অদু শিখিবনি। মীশি মীনা থোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মাষ্টর মাইন ঙসি শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মীওই ১২ অসিনি হায়রি।